থম্মোয় পাউদম

# চদোং থৌদোক্কী অৱাবা ৱাখলদা ৱাফে অমা

এপ্রিল ২৮, ২০১৯গী নুমিদাংৱাইরম, খঙহৌদনা শীৎলকখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমনা, মণিপুরগী অনৌবা টুরিষ্ট স্পোট অমা ওইনা কন্না ঙাঙনরকপা 'চদোং আর্টিফিসল লেক' সেগাক কায়না মমিং চৎখি। অফ-নুংঙাইগী থৌদোক অমনা নৎখিদে। মীওই অহুমগী থৱায় লৌবা থৌদোক অমনা। টেন্সন'না থল্লবা পূন্সিসিবু ঙাইহাক নুংঙাইথোক্লগা পূক্লিং-ৱাখল পোত্থানবা চৎখিবা নহা অহুম (নিংথৌখোংদগী রাজিব, রোমেন অমসুং রানী) ঈপাক্তুগী ঈয়ায়দা মং থিবা চৎপগা চপ মান্নখি। 'চদোং লেক'কী ঈয়ায়দুদা হি লাকপদা মখোয় মাপনবুদি কনবা ঙমহৌরগা, মখোয় অহুম কনবা ঙমহৌদনা ঈপাক্তুদা লুপখিবনি।

নুমীৎতুদগী, থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদু ফংদ্রিঙৈ ফাওবগী শাংলবা নুমীৎ তরুক্লিগী মতমদুফাওবদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ওইরমগদবা পূক্লিং, ৱাখল অমসুং হকচাংগী ফীভম-ৱাখলনা লামদুনা শাগৎপমক্তদা অসুপ ৱারবসিনদি হকথেংননা লৈমিন্নরম্বশিং অমদি নক্ক-চান্নবশিংদি করি ওইরমগনি! ইরুদুনা কান্নদে, ৱাহৈতনা ৱাৎলগনি। মীওইবগী থৱায়গী মমল কয়াম য়াম্বগে? হন্দক্কী চদোং- থৌদোক অদুনা ময়েক শেংনা তাক্লকই। হকচাং অসি থাদোক্তুনা নোংমদি চৎখিগদবা লৈরবনি। শিনাইদবা মীওই' মপোক-তাইবংসিদা লৈখিদ্রি। লাইগী মচানি হায়নবা প্রভু জিশু, প্রোফেত মোহম্মদমকসু পোক্লম্লগা শিখ্রিবনি। পোকপু পোক্লবা শিবা হায়'সি শোয়দ্রবনি। শ্রীকৃষ্ণ মহাকসু দেবকিগী পীবৃক্কুংদগী নাউয়েক নাউতম্লকখিবনা, জরাসন্ধ কৌবা শাদানবা অমই মখূৎতা পূন্সি পীখম্নখ্রিবদুনি। পোকপা-শিবা নাইদবা, শিনাইদবা মহাকপু 'শিদবা মপূ' হায়রম্লিবা মরম অসি লৈবননি। লৈখিদ্রবা অহুমগী থৱায়-মিরেল অদুনা, হকচাং পোলাং থাদোক্লম, শিদবা-মপূ মাগী লৈকোন্দুদা ঈংনা-চিক্লা লৈখিনবা থম্মোয় শেংনা থৌনীজরি। লৈখিদ্রবগা লৈমিন্নরম্বা, লৈহৌরিবা ময়ামগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি। থোকহন্নীংদবা থৌদোক, থোকহন্দবসু য়ারম্বদুগী মতাংদা পাউদম অমদি তমগে খন্না কলম পায়খৎচরুরে। মদুগীদমক্তি ঙাকপীগনি।



থৌদোক থোকফম, চদোং-পাৎ এরিয়াদু, কুমশি নিউ-ইয়রদা মৰূপ অহুমখক্লা পিকনিক চৎলুসি হায়না হৌবা লাক্তুনা চৎলুরে। চীংলক্তুদা খূৎশেমগী পাৎ, অদুক নীংথিজবা অমা লৈরমগনি থাজ খিদে। য়ামখ্রবা মীয়ামনি নুমীৎতুদা লৈরম্বা, দম্বুর মচা-মচা খল্লদুনা। ময়াম মরক তিল্লগা, ঈশিংদুদা ঈরোইগে, ঈপাক্তুদা হি-তোংগে খন্না চৎপা নৎখিদবনা ঐখোয়দি মফমদুদই থৈদোক্লগা, নোংপোক হায়গদ্রা পাৎ'তুগী মতোন থংবা শরুতুদা লৈবা, মী তাদবা খুন'দুদা চাক থোংলগা চারগা হল্লকখি। অদুক পাক-চাউরবা-লুরবা ঈপাক অদুদা হি তোংদুনা ঈশিংগী ফজবা ইনজোয় তৌবা লাক্লিবা মীয়াম অদুগীদমক খূদোংথীবা থোক্ল'কান্দা লৌখৎকদবা থৌরাং লৌখৎতুনা, কন্ননবা শেম শাবগী মওং অমত্তা তৌবা থেংনরমদে। খূদোংথীবা হায়বসি মাঙজৌননা হান্না তাক্লম্লগা লাক্তে হায়বসি অঙাং পিশক ওইরিঙৈদগী তাদুনা লাক্লে ঐখোয়দি। লৈঙাক্কী থৌ-পুবা ইবুংঙো-ইবেম্মশিংদি তারক্তবা জাৎলা? হুরান'-মতুং মৈ লিংবা হায়দুনা খূদোংথীবা থোকখ্র'তুংদতা অশীংবা মীগী পাউতাক তারকপগী মওং অমা মণিপুরদা চৎনরকপা কুইরক্লে। চদোং থৌদোক থোক্ত্রিঙৈ, শিংদা দাম পিকনিক স্পোট অমদি বিষ্ণুপুরগী লৌকোয় পাৎ'তসু মীশি-মীনা থোকখরে। মদুনা থোইনা শিংগৎহনখিদে। চদোং টুরিষ্ট রিজোর্ত অসি মণিপুর লৈঙাক্কী টুরিজম দিপার্টমেন্ট'না শকখঙলবা টুরিষ্ট দেষ্টিনেসন অমা নৎলমদে হায়বদি হন্দক্কী থৌদোক থোক্ল'কান্দতা খঙলকই। খঙদে, মখোয়না খনগৎলবা মফমশিংদুনা করম-করম্বা? লাইফ জেক্কেটনচিংবা সপ্লাই তৌবা হি-সর্ভিস তৌরমদবদুগী দাইত্বদগী নান্থোক্লবরা? টুরিষ্ট ভোল্যুমদুগী হায়রুর'দি নহান্না অদুগুম্বা বোত-সর্ভিস হৌদোক্লম্বা য়ারবনি। লৈঙাক্কী সর্ভিস লৈত্রবসু, লোকল টুরিষ্ট ময়াম অমা চৎলি খঙলবনিনা ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্ক্যু ফোর্স মফমদুদা লেপ্পুনা দিপ্লোয় তৌফম থোকপরা? খল্লকপনি ৱাখলসিদা।

এপ্রিল ২৮-হি-লাকপা-থৌদোক্তুগী মতুংদা লোকল ভোল্যুন্টিয়রর্স, ষ্টেট ফায়র সর্ভিস ষ্টাফ, ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্ক্যু ফোর্স, নেসনল দিজাষ্টর রেস্ক্যু ফোর্স... ময়াম চঙদুনা ঈশিংদা লূপখ্রবা হকচাং অহুম থিননবা হোৎনবদা মায় পাক্লক্তবদগী মণিপুর লৈঙাক্লা ভিসাখাপতনম তান্না চৎতুনা ইন্দিয়ন নেভিগী এক্সপর্ট-দীপ-দাইভরশিং, খূৎশু খূৎলায়গা লোয়ননা লৌরুদুনা, মখোয়গী মতেং য়াওনা অশিবা হকচাং ফংননবা হোৎনখি। লোকল মিদিয়া প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক অনীমক সর্চ ওপরেসন অদুগী অপদেটেদ ইনফোর্মেসন পীননবা হোৎনখি। পব্লিকনসু সোসল মিদিয়াগী খূত্থাংদা পাউ অদু মৰূপ মপাংশিংদা শ্যের তৌখি। অদুবু, নেসনল ন্যুজ চেন্নেল অমত্তগী এটেন্সন চিংশিনবা ঙমখিদবা করিগীনো? নেসনল মিদিয়া হাউস অমত্তনা, হেদলাইন ন্যুজমক ওইহন্দ্রবসু নেসনল ন্যুজ অমা ওইনা কোভর তৌখিদবা মী অহুমখক শিবগী থৌদোক মচা অমখক্লি, মরু ওইদে হায়না লৌবরা? দিসেম্বর ১৩, ২০১৮ মেঘালয়গী নোর্থ জয়ন্তিয়া হিলসকী কোয়লাগী খনি অমদা মাইনর খরা ফিট ২০০ লুবা মাইন'দা ত্রেপ তৌখিবদগী কন্ননবা, ইন্দিয়ন নেভি অমদি এন দি আর এফ'না হোৎনখিবদুদি নেসনল ন্যুজ কয়াদা লেপ্পুনা কোভরেজ পীখিবনি। হন্দক্কী চদোং-দিজাষ্টরখক্কী ৱা নত্তে, মণিপুরগী লুরবা-চাউরবা ৱাথোক কয়া নেসনল মিদিয়া হাউসশিংনা থওইবীখিদবা থেংখাঙ কয়ারক্তনি। মণিপুরগী লোকল মিদিয়াগা পাউ ফাওনদবনরা? মখোয়না থওইদবরা? অৱাবা ৱাখল মরকসিদা ফৈজিল্লকখিবা ৱাখলনি।

লৌশিং পুক্কে

# কান্নদবা চীঞ্জাক কা হেন্না চাশিনবগী মহুৎ মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা খজিক্তং চাবনা য়াম্না হেন্না ফৈ

হকচাং ফবা, অনা-অয়েক য়াওদবা অমসুং তীঞ্জং-কায়জংদবা মীশক অমা ওইনবগীদমক অফবা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা মথৌ তাই। মীওইবগী পুন্সি নোংম-নোংমগী মথৌ চিনবা হেনগৎলকপা মরম্না নুমীৎ খুদিংগী মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা হায়বসি তশেংনা অরুবা অমনি।



মীওই অয়াম্বা নুমীৎ খুদিংগী পুক থন্না চারিবা ঙাক্তনি। মচল শুনা চাবগী মহুৎ অচাবা পোৎ অমা হঞ্জিন-হঞ্জিন চাবগী ৱাদনি। হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা মওংদা কান্নদবা চীঞ্জাক কা হেন্না চাশিনবসু য়াওরিবনি।

ৱর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী রিপোর্ট মতুংইন্না মালেমদা হৌজিক চাবা ফংদনা চরা হেন্দুনা শিবা মীগী মশিংদগী কা হেন্না চামনদুনা শিবা মশিংনা হেল্লি হায়রি।

মরম অদুনা কান্নদবা চীঞ্জাক হঞ্জিন-হঞ্জিন কা-হেন্না চাশিনবগী মহুৎ অফবা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা খজিক-খজিক চাবনা য়াম্না হেন্না ফৈ। মতম অমদা অঙকপা ফংনা কিনরম্বা ট্যুবরক্যুলোসিস, মেলেরিয়া অমদি দাইরিয়ানচিংবা মহীক-মতাইনা থোকহনবা লায়না অয়াম্বা ঙসিদি মেদিকেল সাইন্সনা চাউখৎলকপগী মতুংইন্না তপ্না তপ্না লাকশিনবা ঙল্লক্লে।



খোঙ হাম্বগী লায়না দাইরিয়া শন্দোরকপদা খুল কয়া, লৈকায় কয়াগী মীওইশিং পাক্তক্লনা শিখি হায়বা মতম অমগী অকি তুজুংবা পোক্লবা থৌদোকশিং অদু ঙসিগী মীরোলগী অঙাংশিংনা তাবদা নোক্লিংবা ৱারী ওইনা থোক্লে। অফবা মখলগী হীদাক কয়া পুথোরকপা মরম্না মতম অমদা মীয়াম্না কিনরম্বা লায়না কয়া তপ্না তপ্না খুদুম চনবা ঙল্লক্লে। নাকল অমরোমদা, দাইবেটিস, হাইপরটেন্সন অমসুং অরথ্রাইটিসনচিংবা মীওইবগী পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না কয়ানা লান্দারকপদগী চহী নৌরিবশিং য়াওনা মীওই কয়াগী পুন্সি খাঙুথক্তা লোমখিবগী থৌদোক তোয়না থোরক্লে।

হৌজিক্কী মতমদা মীওই খুদিংমক মথৌ চিনবা মরম্না মতম কায়থোক্তুনা হকচাং শাজেল তৌবা অমসুং মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা ঙম্নদ্রে। থবক চৎপা মতমদা গাড়ী তোংদুনা চৎপা, থবক মফমদসু ফম্লগা থবক শুরুবা অমসুং য়ুমদা হল্লক্লগা চাক পীক থন্না চাশিল্লগা টেলিভিজন মমাঙদা ঙাইহাক ফম্লম্লগা ৱারে হায়দুনা তুমখিবা হায়বসি ঙসিগী মীওই অয়াম্বনা নুমীৎ খুদিংগী তৌরিবা দেলি রুটিননি। মতৌ অসুম্না লীশাং শিংনা চৎথরকপদগী চহী নৌরিবা কয়া য়াওনা ঙসিগী মীরোল অয়াম্বা দাইবেটিস, হাইপরটেন্সন অমসুং অরথ্রাইটিসনচিংবা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না কয়াগা শাগোন্নদুনা হিংলি।

মহীক মতাইনা থোকহনবা অনাবশিংদি অফবা হীদাক অমা চারগা ফখিবা য়াই। অদুবু পুন্সি মহিংনা ওইহল্লকপা অনাবশিংদি হীদাক্লা ফহনবা ঙমদে। কন্ট্রোল তৌদুনা থম্বখক্তনি। পুন্সি মহিং হেক শেমদোক্ত্রিবা ফাওবা অনাবশিং অসি ঙাকথোকপা ঙল্লোই।

অখঙ-অহৈশিংগী মোত মতুংইন্না অফবা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা, চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা, নীংথিনা পোত্থাবা অমসুং অফবা ৱাখল খনবা হায়বা খোঙথাং মরি অসিনা য়ুম্বী মখোঙ মরিগী মতৌগুম ঙাক্লৌ পীবা নৎতনদি পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা অনাবশিং ঙাকথোকপা ঙল্লোই হায়রি।

য়ুম্বী মখোঙ মরি অসিগী মনুংদা অমা ওইরিবা অফবা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা হায়বা অসি ঙসিগী মীরোলনা কনানসু তৌরমগদবা মান্দে। মসিগী ময়েক লারবা খুদম হায়ববু পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না চেনবা মী নোংম-নোংমগী মশিং হেনগৎলক্লিবা অসিনি। মরম অদুনা চপ চানা তৌবমক ঙমদ্রবসু য়ামদ্রবদা মতম মতমগী উহৈ-ৱাহৈ অমদি মনা-মশিং মরাং কায়না চাবা তাই। য়ারিবমখৈ থাউ-থুম অমসুং অথুম্বা চীঞ্জাক চাং হন্থনা চাবীগদবনি। লোয়ননা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলম অমত্তা শীজিন্নরোইদবনি।

# ভেনদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচ এন এস): লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লম্লাই ময়াই লৈকায় হৈরোংখোম্বী কম্যুনিটি হোল মনাক্তা খামদুনা লৈবা মারুটি ভেন (এম এন ০৩ পি ১৭৩৫) অমা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ রাউন্দ ৪/৫ রোম কাপশিল্লম্বদগী অকায়-অতোয় থোকহনখ্রে।

গাড়ী অদুগী মপুনা থিংবাইজম সুনিল (২৯) কৌই। মহাক লম্লাই ময়াই লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা টি ঐচ লুখোয়গী মচানুপানি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি লমদম অদোমগী মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অমদি দুকান থোঙ লোন্দুনা লম্লাই কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম চৎখ্রে।

ভেন মপু সুনিলনা ফোঙদোর-কপদা, মহাক কনাগুম্বা মীওই অমত্তগা নুংঙাইনদবা লৈতে। গাড়ীদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বা অদু অঙকপা পোকই। মহাক লম্লাই পোকহাবীদা লৈবা হিল ভেলি একাদেমী স্কুল মহৈরোয়শিং থিন্দোক থিঞ্জিন তৌরগা চম্না লৈজবা মীওইনি।

থৌদোক অসি কনানা করিগীদমক চখ্রমখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। লম্লাই পুলিসনসু কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে।

# নোংজুথাদা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লবগী ফীভমদা লৈরে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচ এন এস): মোইরাং লমখায় টিদ্দিম লম্বীগী মখা থংবা শরুক্তা সোরোক পাকথোক্ল বগীদমক তুরেল খোংনুংদা রিটেনিং ৱাল চনশিল্লকপা অমদি তুরেল মথক্তা য়ুম-দুকাননচিংবা শাজিন্দুনা তুরেলগী ঈচেলদা অপনবা পীদুনা লাক্লিবা অসিনা নোংজুথাদা অঙকপা ফংনা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লবগী ফীভমদা লৈরে হায়না সিটিজন ক্লব মোইরাংগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মোইরাং ওকসুবু লৈকায়, খোইরু লৈকায় অমসুং পন্থোং লৈকায়গী মফম খরদা চহী খুদিংগী নোং খজিক্তং তাবদা খূৎশেমগী ঈচাউ থোক্তুনা লন-থুম কয়া অমাঙ-অতা থোকপগী ফীভমদা লৈরি। মোইরাং লমখায়, টিদ্দিম রোদকী লম্বীদা তুরেল খোংনুংদা রিটেনিং ৱাল চনশিল্লকপা অমদি তুরেলগী মথক্তা য়ুম, দুকাননচিংবা শাজিল্লকপা অসিনা ঈচেলদা অপনবা পীগদৌরি। মোইরাং লমখায়দগী ত্রোংলাওবী ফাওবগী লম্বী অসি মতম কুইনা লোইশিন্দনা থম্লি। মসিনা মীয়াম অমদি মহৈরোয়শিংনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। লম্বী অসি অথুবদা লোইশিন্নবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# কার্ল মার্ক্সকী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর প্রোলেটেরিএট পিপলস দেম্মক্রেটিক য়ুনিয়ন (এম পি পি দি য়ু) না কার্ল মার্ক্সকী মপোক কুমওন নীংশিং থৌরম সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম) কী হেদ ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

এম পি পি দি য়ুগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অদুদা এম পি পি দি য়ুগী ভাইস প্রসিদেন্ট কমরেদ টি ঐচ হেরোজিৎ, য়ং কম্যুনিষ্ট লিগ (ৱাই সী এল) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কমরেদ কামেশোর অমদি সোসলিষ্ট ৱিমেন এসোসিএসন (এস দব্লিয়ু এ) গী জেনরেল সেক্রেটরি সরুংবম বিয়াস্তিনা থৌরমগী প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

২০১ শুবা মার্ক্সকী মপোক কুমওন থৌরম মালেমগী মফম শিনবা থুংনা পাঙথোক্লবগুম ঙসি এম পি পি দি য়ুনসু মণিপুরদা পাঙথোক্লি। ঙসিগী নীংশিং থৌরম অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্তি লময়ানবা ইরাবতনা শেমগৎপা পাল্লম্বা মান্নবা হায়বা ৱাফম অসিগী ৱাহন্থোক খঙনবগীদমক মণিপুর মীয়াম্না মার্ক্সিজম হায়বসি করিনো হায়বদু মমুৎ তানা খঙবগী তঙাইফদবা লৈ। তঙাইফদবা অসি থবক্তা ওন্থোক্ল বগীদমক মার্ক্সকী ২০১ শুবা মপোক কুমওনগী নীংশিং থৌরম অসি এম পি পি দি য়ুনা শিনবনি।

মান্নবা খুন্নাই করিনো হায়বসি মার্ক্সিজমগী অকুপ্পা ৱাখল্লোন অদুদগী ৱাহন্থোক পীগদবনি। ৱাহন্থোক পীগদৌরিবা মার্ক্সিজমগী ৱাখল্লোন মমুৎ তানা খঙদনা মান্নবা খুন্নাইগী ৱাখল্লোনবু মীয়ামদা য়ৌহনবা ঙল্লোই। অচুম্বা ৱাহন্থোক অদু ফংবা ঙল্লোই। মরম অদুনা মান্নবা খুন্নাইগী অকুপ্পা ৱাখল্লোন অদু মণিপুর মীয়ামদা য়ৌহন্নবগীদমক ঙসিগী নীংশিং থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৯৩ অমসুং লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৯৪গী ৱিন্নর ওইখ্রবশিংদা মনা পীখ্রে





ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচ এন এস): হুইয়েন লানপাউ পাউচে অসিনা লেপ্পুনা চখ্রল্লিবা হুইয়েন লানপাউগী স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৯৩ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা থোঙাম রোবোই অমদি লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৯৪ গী ওইখ্রবী সগোলশেম লল্লেবী চনুদা হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সনা ৱিন্নর ওইখ্রবা অনীদা মনা খুৎশিন্নখ্রে।

সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দা লৈবা পাউচে অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা মনা খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৯৩ গী মনা ফঙখ্রবা থোঙাম রোবোই (২৫), অপোকপা টি ঐচ রোবিন অমদি অপোকপী থোঙাম ওংবী সোরোজিনিগী মচানুপানি। মহাক ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংঙু মমৈচীংদগী লাক্লগা হৌজিক্লা সগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা অশানবা য়ুমদা লৈবনি।

মহাক্লা ফোঙদোরকপদা, হুইয়েন লানপাউগী স্পোর্টস ক্যুইজ অসি চাং নাইনা পাবগা লোয়ননা হন্দক অনীরকশুবা মনা লৌরকপা অসিদা হরাওবা ফাওই। পাউচে অসিনা মীয়ামদা কান্নবা, হেল্‌থ অমদি তোঙান তোঙানবা ইনফোর্মেসন ময়াম অমসু মীয়ামদা কান্নবা পীরি। মহাক্লা মখা তানা হায়, ৱাংঙু মমৈচীং খুল অসিদা লম্বী-থোংদি খরা ফরে। অদুবু থক্লবা ঈশিংদি হেন্দ পম্প অমদি লৈকায়গী পুখ্রিদগী শীজিন্নরি। থংনবা খুলগীদি টোটি ঈশিং ফংবা য়াওখ্রে। মরম অদুনা খুল অসিদসু থক্লবা টোটি ঈশিং ফংহনবীনবা মহাক্লা মরী লৈনবশিংগী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি। মহাক্কী তুংগী পুন্সিদি গভর্ণমেন্টকী থবক অমা ফংলগা ঈংনা চিক্লা খুন্নাই অসিগী অফবা থবক খরসু পাঙথোক্লিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৯৪ গী মনা ফংখ্রবী লংথবাল কুঞ্জ ময়াই লৈকায়দা লৈবী সগোলশেম মনিহার অমদি সগোলশেম ওংবী লৈরেনতোম্বী লৈমা অনীগী মচানুপী সগোলশেম লল্লেবী চনু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা হৌজিক মণিপুরী সবেজ ক্টতা পি ঐচ দি তৌরি।

মহাক্লা ফোঙদোরকপদা, হুইয়েন লানপাউ পাউচে অসি চাং নাইনা পাবগা লোয়ননা লিটরেরি ক্যুইজগী অন্সার ফংনবা হোৎনবদা লাইরিক য়াম্না পায়। মহাক নোবেল পাবসু য়াম্না পাম্মী।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, লংথবাল কুঞ্জ ময়াই লৈকায়দা হৌজিক মীয়াম্না টোটি ঈশিং ফংদবা চহী ১ হেল্লক্লে। হান্নদি কাঞ্চিপুর ৱাটর সপ্লায়না থারম্বনি। তঙাইফদনা য়ুমগী শীজিন্ননবা ঈশিং লৈরগা অমদি লৈকায়গী পুখ্রিদগী শীজিন্নরি। ঈশিং তাঙলবা মতম অসিদা কাঞ্চিপুর ৱাটর সপ্লায়না হান্নগুম ঈশিং ফংহনবীনবা মরী লৈনবশিংগী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি। লম্বী-থোংগী মতাংদসু লংথবাল খৌপুমদগীনা লংথবাল কুঞ্জা ময়াই লৈকায় অমদি হায়ৰে তারিবা লম্বী মতেক অসি ফীভম য়াম্না ফৎত্রে। মসিদা নত্তনা এম য়ু মেন গেটতগীনা লিলোং থোং ফাওবা লম্বী পাকথোক্তবা অমদি মৈ মম্বনা মরম ওইদুনা নুমীদাংগী মতমদা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীশি-মীনা কয়া থোক্লি। মরম অদুনা কিলোমিটর ৩ লোম শাংবা লম্বী অসি অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা শেম্বীরগদি মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা অসি কোকপা ঙমগনি। লোয়ননা লম্বী অসিদা মৈ মম্বনা মরম ওইদুনা নুমীদাংগী মতমদা লম্বী চৎথোক চৎশিন তৌবদা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা অসিসু অথুবা মতমদা মৈ থাবীরগদি লম্বী অসিগী নাক-য়েৎতা লৈরিবশিং অমদি লম্বী চৎপশিংগী অৱাবা কোক্কনি।



HL-B/5314/2/4-3/5

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০৬।০৫।২০১৯ ইং, নিংথৌকাবা,
কালেনগী নীনি পানবা

**মেষ :** মীয়াম পুনবদা ৱাখল চরাংনরদি চাদিং হেনগনি, হন্থবা লোইনবা অমদি নাপল তৌরুবনা মথা শাগনি। মরুপ মপাংনা নরলদা মীতাবা লৈগনি। ঈংনা-নোল্লুক্লা চৎপা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম হৌহনখিবা ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

**বৃষ :** হরাওবা নুংঙাইবা, অফবা লৈফম ফংবা অমদি শাগেনা চানবীবা নুমিৎনি। নচাক নরল চাওখৎপা লৈগনি। মীনা য়েংথিবদি লৈ-তহা তহানা থবক পাংগনু, অশাওবা ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

**মিথুন :** নুংঙাইবা ফংবা, মরুপ নুংশিবা ফংবা, অফবা থবক্কী অফবা মীংচৎ ফংবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা হেনগৎপা লৈগনি। য়েৎনবা অমদি অখং অহৈ শাবনদি মাংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরুপকী মতেং লৌবা ফগনি
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

**কর্কট :** ললোন ইতিক্কতা য়াম্না কান্নগনি, শেল থুমগী থবক্তসু মাই পাক্কনি, মরুপ অমদি মীয়ামগী মতেং লৌবা য়াগনি। মীতোপকী থৌইনশিন্না ময়েং তাহনবা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা থোইনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**সিংহ :** থবক মঙ্গল ওইরনি, পাংগে খনবা থবক্তি হনবা লৈতনা হোৎনবা কান্নগনি। অদুম ওইনমক নথক থোংবনা চানবীনবা নোল্লুক্লদি চৎলু। শেন্দোং তানবদি মাই পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- অনম তানদ্রদি মাই পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

**কন্যা :** অশা চাওবনা মীগা মুক্লবা হেনগনি অমদি খাঙবা কন্দ্রদি মরুপ মপাংগা মরী ফরোই। অদুবু হকচাং নুংঙাইরনি, থবক পনবা ফরনি অমদি ঙাঙবা/পোরম য়াৎপা হৈরনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

**তুলা :** থবক্তা নিংবা মপা চাদে অমদি নথক থোংবগা ভাব তান্নদবা খরা লৈগনি। নচা ননাইগী লমদা অমদি মরুপ মপাংগী মরী ফবা লৈগনি। লৌশিংনা নরল চাওখৎহনবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরুপকী মতেংনা মাই পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক :** নিংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগদবা নুমিৎনি-অদুনা খন্থরগা অনিংবা থবক অয়াম্বা পাংবা য়াগনি-মাই পাক্কনি। লৈবাক্কী থবক্তা মাই ওনশিনবা মতাং চাই। চীঞ্জাক্তি কামগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌদ্রদি নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**ধনু:** অকিবা অমদি মীপাইরম্বা কোক্কনি, পাঙ্গল ফুদোকপা থবক্তা মাই পাক্কনি, ললোনবদা শেন্দোং ফংগনি। অদুবু ইমুং-মনুং ৱাখল তামিন্নবা ৱাৎলি, অরং-অরাক পীথোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

**মকর:** নক্লবনা তেংবাংনিংগনি, লৌশিংনা লন তানগদবা নুমিৎনি অমদি মীতোপ্পা ইন্সিনবা লৌদবনা য়াইফবা ওইগনি। লাইগুরুনা চাল্লি অমদি য়েক্লবা হন্থরনি। লনদি চৎখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী- খাঙবা কল্লু, থিজিনবা লেপকনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**কুম্বা:** মরুপ্পা চাওনা তেংবাংবিগনি, হায়জ নোঞ্জবা কান্নগনি অমদি মীরক্তা চঙলগা নুংঙাইজগনি। খন্থদ্রদি মরম চাদবদা শেল থাদবা অমদি শকখঙদবনা ননাই ময়েং তাহনবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক য়াম্না ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

**মিন:** য়েক্লবনা নরল মুন্দুনা লৌবিবা অমদি মী খৎনবা য়াবা লৈ। হন্থবা ফৈ-শোনবনি খনগনু, তুংদা মাই পাকপা ওইগনি। মীয়াম্নদি য়াই, ললোন ইতিক্কী থবক্তা চাওনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ॥
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।